# কলচরেল ৱার্করস এন্দ এক্টিভিটিস ফোরম, মণিপুরগী নুমিৎ হুমনি চূপ্না পাঙথোকখিবা সী দব্লিয়ু এ এফ ফেষ্ট ২০২১ # ২


- নানি -

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অনাবা মশীং পাথরকপা, ফগৎলকপনা মশীং হেনজিল্লকপা, লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক কন্না চঙশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্তুনা হান্না কিরবা পূম্নমক্তগী খরা খজিক কোমথোক্লরকপা, মীপূম অয়াম্বা নুংশা শ্বর হোন্দোক্লরল্লবা মতম অসিদা কলচরেল ৱার্করস এন্দ এক্টিভিষ্টি ফোরম, মণিপুরনা অহানবা ওইনা এন টি থিএটর, চঙাঙ্গৈ উচেকোন, এয়রপোর্ট রোদতা লৈবগী হোঙনেমশঙদা অহানবা ওইনা শীনখিবা "CWAF FEST 2021" গী নীনি চনবা নুমিৎকী হৌদোকপগী থৌরমদা ওনরেবল স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা চীফ গেষ্ট অমদি ডা. ৱাই রাধেশ্যাম, ওনরেবল এম এল এ, হিয়াংলম এ সীনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। ৱারেপ্পা নবা, প্রসিদেন্ট, থিএটর সেন্টর মণিপুর, পুখ্রম্বম বিলাশ, দিরেক্টর, জৱাহরলাল নেহরু মণিপুরী দান্স একাদেমি অমদি গুরুময়ুম রঞ্জিৎ শর্ম্মা, এক্টর অমদি প্রোপ্রাইটর, ঐগ্যাগী চাকশঙনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা থৌরম অদু হৌদোকখি। ফেষ্টিবেল অসিগী মরু ওইবা পান্দমশিং অমদি ঙসিমক কলচরগী লম্দা থবক তৌজরিবশিং অসিনা থেংনরিবা অৱাবশিংগী মরক্তা লমদম অসিগী ফজরবা কলচরনা নোংমা নোংমগী মশক হোংলক্লিবা অমদি মাঙশিল্লক্লিবা কয়া অসিগী মরমদা ৱারোল থন্বীবশিংনা য়াম্না মচা খায়না ফোঙদোক্লখি।

মীওইবনা কলচর য়াওদনা হিংবা ঙম্বা? খুন্নাই অমা চাওখৎপা হায়বসিদা মরু ওইনা মীওই কাঙলূপ অদুগী নাৎ-শক্তম অমদি মখোয়গী পুন্সিরোলগা শম্নদব্রা? আর্টস এন্দ কলচর হায়বা অসিগী মতিক-ময়াই অমদি মহাক্কী ফজরোল, চৎনরোল কয়া অদুনা খুন্নাইবু অহিংবা অমা ওইহনবা ঙম্লিবা নৎত্রা? অদুনদি, কলচর হায়বসি ঐখোয়গী পুন্সিরোলদা কয়াদা মরু ওইখ্রবনো? কলচরনা ঐখোয়বু ঙাক-শেনবীরি, ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশিনবগী লিপুন্না চেৎনা পুনশিনবীদুনা ফজরবা খুন্নাই অমা ওইহল্লিবনি। মতমগী অহোংবা কয়া লাক্লবসু কলচরদগী ঐখোয় নাম্থোকফদ্রি। মসিগী ৱাফম অসি লৈনা লৈনা ঙসিদি ঐখোয় ইশাগী চাওথোকচনীংঙাই ওইজরিবা আর্টস এন্দ কলচরবু মীরাইবা মানবা, চহীগী শেনবা-থুম্বাদসু কলচরগীদমক শেল থাদবসি অরেম্বা কান্নদবনি হায়না ফাওবা ফোঙনা হায়নবা য়াওনরকপা অসিমদি লাইবক থীবনি হায়না লৌবা য়ারোই। লৌবীফম থোকপা থৌদাং খরদি নাখৈ শেংনা লৌবীফম থোকই। মণিপুরগী ৱাদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরক্লিবা, মালেমগী ওইবা আর্ট এন্দ কলচরগী মেপতা মণিপুরবু য়াওহন্দুনা লৈবাক্কী অসুক চাউবা মীংচৎ উরোং খিল্লিবা আর্টিষ্টশিং অমদি ওর্গনাইজে সনশিং অসিগী মায়োক্লরিবা অৱা-অনাদা তেংবাঙবীফম থোকই। নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মণিপুরী কলচরগী থবক তৌজরিবশিংদা স্পোর্টসকী দিসিপ্লিনশিংগী শান্নরোয়শিং অমদি লূপশিংদা য়েংবিরিবা মীৎয়েং অদু কলচরগী লম্দা লৈরিবশিংদসু মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংবীফম থোকই খল্লি। হৌজিক লৈরিবসিদি য়াম্না পূক্নিং নুংশিনীংঙাই ওইবা ৱাফমনি। মণিপুরদা আর্টস অমদি কলচর তৌরিবসিদি পাপ চেল্লবা মীশক অমগী থাক অদুনি। মশা মরন্নাইগী ওইবা মরিংজেল অমদি মথৌনানা তৌনরিবা ঙাকনি। চরি-চমাঙ শম্নদনা ৱানা হোৎনজদুনা মায় পাক্লকপদা, লমদমসিগী অঙম অথৌশিংনা খূবাক ফাওবা খূবীদ্রবসু, মখৌ পোংনা চাউথোকচবা ফাওনা ৱাজাউ ঙাঙলি। অদুবু মীনুংশিগী মখূৎতি তিংথোকপীদে। মসিদি ওস্থোক্লা লাইবক থীবনি হায়না হায়বসিদগী হেন্না হৌজিক ফাওবগী ওইনদি আর্টিষ্টশিং অসিগী করিসু পান্থে লৈত্রিবনি।



মসিগী ৱাফম অসিমসু ঙাইহাক নাকন্দা থমখ্রবা, তশেংনমকসু লমদম




অসিগী তাঙলবা ত্রেদিসনেলগী ওইবা পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্ম কয়া অমদি ঙসিগী মতম অসিদা মাঙশিল্লক্লে। হৌরক্লিবা নহাশিং অসিনা ফজরবা আর্ট ফোর্মশিং অসি মশক খঙবদি লায়রদনা উবা ফাওবা ফংনদ্রে। ৱারী লীবা, লাইরিক হায়বা-থিবা, খোংজোম পর্ব্ব, খুনুং ঈশৈ শৈশক, পেনা ফমশক, মোইরাং সাই হৌজিক কনানা উবা ফংলি। মতম অমা লৈকায় খুদিংদা, থৌরম কয়াদা মরাং কায়না পাঙথোক্লরম্বা কয়া অদু ঙসিদি কনা অমত্তনা খোংজোম পর্ব্ব কৌদুনা শকপগী থৌরম অমত্তা শিন্নখিদ্রে। হৈরুরগা, তম্লুরগা শকফম লৈতবা আর্ট ফোর্ম অসিবু করি কান্নগনি হায়বগী মওংদা অনৌবা থোইনা থোরকখিদ্রে। মসিদা আর্ট ফোর্ম অসিবু পামজবা লন্নাই মীওইশিংনা কন্না হোৎনজদুনা থওইনা নুপা-নুপীশিং কৌদুনা তন্বীরি। অদুবু মখোয়গী ঈশৈ শকফমদি খুন্নাই অসিনা পীবিদ্রি। অখন্নবা কলচরগী থৌরম খরদা মতেক অমা শকপা নত্তনা থোইদোক্লা মহৌশাগুম শক্লরম্বা অদুদি লৈখিদ্রে।

মসিগা চপ মান্ননা, ৱারী লীবা, লাইরিক হায়বা-থিবগী আর্ট ফোর্ম অসিসু য়াম্না নিংথিজনা শিজিল্লক্লে। হৌজিক অহল লমন, ওজা খরনা শক্লিবা অসি মঙাইরে। মখোয়না থুপখিবদা আর্ট ফোর্ম অসিসু থুপখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। মসিগুম্বা ফীভম কয়া অসিনা লমদমসিদগী উনা-




উনা ঐখোয়গী তাঙলবা আর্ট ফোর্ম কয়া অমা মাঙশিল্লক্লে। মসি ৱাফম অসিনা অমুক নাকোয়ননা খজিক থমখ্রগা, হৌজিক য়াম্না লুরিবদি ঐখোয়গী কলচরগা শাগোন্নরিবা ত্রেদিসনেল পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্ম কয়া অসিনা মশক হোংলকপা অসিনি অমদি মহৌশাদগী চৎনদুনা লাক্লবা চৎনবী কয়া অমসু ফীভম কায়না হোংবা থেংনরে। ইশম শম্না ফিজেৎ লৈতেং, লুহোংবদা শীজিন্নরিবা পোৎলোইগী ময়েক, মচু-মমেন হৌজিক্তি মওং অমদা হোংনরক্লে। পোৎলোইদা শীজিন্নরিবা মচুশিং অমদি মসিদা হল্লিবা, লোল্লিবশিং অসিগী নুংগী ওইবা ফিলোজোফিকেল এষ্ঠেটিক অদু পুমথু থুগাইদুনা অপাম-অপাম্বা মওংদা শেম শানরকপা থেংনরক্লি। মসিনা চৎনবী অমা ওইদুনা মখা চখনরক্লি। লেংয়ান ফি হায়দুনা অমা থোরক্লিবা অসিগীসু খন্ননীংঙাই য়াম্না লৈরি। অখঙ অহৈ, অহল-লমনশিংনা লৈরুম ফিগী মওংদা শেম্বা লেংয়ান ফি অসিসু য়ানীংদবা য়াম্না লৈরি। লৈরুম ফি অসি করি করম্বা মওংদা শীজিন্নবগে, মসিগী মরু ওইবা ৱাখল্লোনশিং অদু করিনো হায়বা থোইনা মরু ওইনা খন্নরক্রে। অদুনা মরম ওইরগা লৈরুম ফিগী লেংয়ান থোরক্তুনা হৌজিক পাক শন্না চৎনরক্লিবা অসি ঐখোয়গী অহেনবা দিজাইনরশিং অদুনা শেম শারকপা ঙাক্তনি। মদুগুম্বা অমা শেম্নবা হোৎনবদা মদুগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং অদু থোইদোক্লা লুনা খন্নরুদবনা ঙসিদি পাক শেমদোকপদা ৱারগদবা ফীভম অমদা লাক্লি। ফীভমশিং অসি য়েংলুরগা ঐখোয়গী কলচরবু ঙাকচ-শেঞ্জনবগীদমক ঐখোয় মশেল মান্নরগা করিগুম্বা খরদি খন্নবা মতম চারে হায়না থমজরি।

ফেষ্টিবেল অসিগী নীনি শুবা নুমিৎতা ত্রেদিসনেল পর্ফোর্মিং আর্টস ফোর্ম কয়া উত্তুনা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনখি। শ্রীশ্রী গোবিন্দজি ভক্তি গ্রান্থা কেন্দ্র বিদ্যালয়া পেলেস কম্পাউন্দগী ওজাশিংনা লাইরিক থিবা-হায়বা, কংলৈ শক্তম লাংবা কাঙলূপ, হাওবম মরকনা পান্থোইবী শৈথা জগোয়, শঙ্গিৎ কলা শঙ্গম, খুরাইনা মাইবী জগোয়, শ্রীশ্রী গোবিন্দজি নট সঙ্কীতন পেলেস কম্পাউন্দগী পুঙ চোলোম, কংলৈ মাইম থিএটর রিপর্টরিগী Crashed but alive অমদি সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী শুমাং লীলা 'থম্মোয়গী মখোল' উৎখি।




## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৪।০১।২০২১ ইং, নোংমাইজিং;
ৱাকচিংগী ১১নি পানবা।

মেষ : নচা ননাইগী মতেংনা থৌপাংগনি, লৈঙাক্কী লম্দা মীকোক থোংগনি, পূক্নিং ঈংগনি অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাওবা নুমিৎনি। হকচাং নুংঙাইবদি ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : পূক্নিং পেন্না নুংঙাইজবা, মীচং ফংবা অমদি অফবা লৈফম ফংবগী হরাওবা নুমিৎনি। থিবা হুম্বা কন্দবা অমদি ৱাঙাঙ হৈত্রদি অঙম্বনা চানবীবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইবা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : মীতোপ্লা ইনশিনবা লৌরবা অমদি চরাংনরদি নচাক নরল মাঙগনি অমদি কাইনবা নংগনি। অফবা মরুপ লোয়নৌ -খুদোংথিবা পুন্বা কোকচগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীগী মতেংনা কান্নবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : অনম তানবা অমদি নাপল তৌবনা লন মাঙবা অমদি পামদবা নংবা য়াবা নুমিৎনি। অরাপ্পদগী কান্নবা ফংজবা অমদি থাজদনা ওইজবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - কাইনদনবা হোৎনৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

সিংহ : মতম মাঙহন্দনা থৌ পাংহৌরো। অয়াম্বা থৌরম থৌদাদা শোয়দনা মায় পাকচরগনি-মীংচৎ ফংবা, লন চংবা অমদি অঙম্বনা চানবীবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : অচুম্বা অমদি লৌশিংনা পান্থে ওইবনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। ইমুং মনুং অমদি মরুপ অফবা ৱা তানবনা হেন্না চাওখৎপা ওইগনি। খাংবদি কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাংতক্লগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : হকচাং নুংঙাইতবা লৈরল্লসু কোকচবা অমদি মীয়াম লোয়ননা পাংবা থৌরমদা মায় পাকচবা অফবা নুমিৎনি। পাউ নুংঙাইতবা তারসু থোইনা খনজিল্লনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : ঙসিসু নীংবা থুংগনি, লাই-গুরুনা চানবীগনি, ৱাখলগী পাঙ্গল য়াম্না লৈ-অদুনা খন্থরগা পাংবা থবক মায় পাক্কনি। ইচং থৌবা কান্নগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : অনৌবা অশা লাক্কনি অমদি মীচং হেনগৎকনি। নীংবদুমক কনানসু ইনশিনবা ঙাইদনা পাংহৌবা ফগনি। অদুবু নচাক নরলদি চেকশিন্দবা তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

মকর : কাইনবগী নুংঙাইতবা, মতম মাঙবা অমদি হুরানবনা হুবীবা লৈ-চেকশিন্দবা তৌগনু। থাজদনা নক্লবনসু মাঙহনবা য়াই-অনৌবা থৌরম পায়গনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কুম্বা : হেনজিন্না খল্লুবগী কান্নবা লৈরোই অমদি মতাং চাদনা ইচং থৌরুনু-কইনবদুম নংগনি। নোল্লুক্লা চৎপা অমদি অঙম্বা নত্রগা নুংশিবা মরুপকী ৱা তাবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : অশাওবনা মাঙজবা লৈরসু নীংবা থুংগনি, য়েক্লবা ময়েং তাগনি, মীনা লাকচবা ঙমলোই অমদি নাইতোম ৱারেপ লৌবা য়াগনি। ৱানোম্বদি য়ারোই।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




রাহুল : মরুপ কেজরিৱাল জোক ফজবা অমত্তা থারকউদনা।
কেজরিৱাল : ঐগী নাক্তা মতম লৈতে। ঐ অমুক হন্না দেল্লিগী সী এম ওইনবা কন্না হোৎনরি।
রাহুল : জোক য়াম্না ফজৈ। জোক অমগা থারকউ ...!

মপা : ইবুংঙো জ্বার শান্নবা হায়বসি অফবা থবক নত্তে। করিগুম্বা ঙসি মায়পাক্লবসু হয়েং পাক্লোই, হংচিৎ মায়পাক্লবসু থংনবা নুমিৎতা মায়পাক্লোই।
মচানুপা : পাবুং ঐ খঙজরে য়ারে, ঐ নোংম-নোংমা ওইনা কাল্লগা শান্নরগে ...।

মশাফবা অঙাং অমনা মশা শোনবা অঙাং অমদা খুপাক্লা কন্না থারম্মী।
মশা শোনবা অঙাং : নঙনা ঐঙোন্দা খুপাক্লা থারিবসি ফাগি তৌবগী থারিবরা নৎত্রগা শাওরগা থারিবরা ?
মশা ফবা অঙাং : শাওরগা থাবনি।
মশা শোনবা অঙাং : অদু ওইরবদি ফরে ঐ তশেংনা ফাগী তৌবা য়াম্না পামদে।

মেদাম : নিতা, নঙ ঙরাং করিগী স্কুল লাক্ত্রিবনো?
নিতা : মেদাম ঐ ঙরাংগী মঙদা জাপান্দা চৎলুবগীনি।
মেদাম : রোনি, নঙনা ঙরাং করিগী স্কুল লাক্ত্রিবা?
রোনি : মেদাম, ঐ নিতাবু এয়রপোর্ট ফাওবা থিনবা চৎলুবনি...।

মপা : ঐগী ইচানুপা ঐবু য়াম্না নুংশিজবনি।
মমা : মপাদগী নুংশিবা মমাদনা হেল্লমগনি।
মপা : ফরে অদুদি মপাদনা হেন্না নুংশিবরা, মমাদনা হেন্না নুংশিবরা হায়বদু য়েংলসি। মঙোন্দা তুমিন্না নুং মচা অমা থাসি মদুদা করি হায়না লাউরকপরা য়েংসি। মানা ইমা হায়না লাউরক্লগনা মমাবু হেল্লি নুংশিবা হায়না খল্লসি অদুগা বাবা হায়না কৌরক্লগা ঐনা হেন্না নুংশি হায়না খল্লসি, য়ারেকো ?
মমা : হোয়, য়ারে।
তুমীন্না মপা অদুনা নুং মচা অমা অঙাং অদুগী মনগন্দা থারম্মী। নুংদু অঙাং অদুগী মনগন্দা হেক পানবগা ...
মচানুপা : শোনো চুবা কনানো নুংনা থারক্লিবদো, লাউ থোরকউ লাউ নখয়াৎ অদু শেগায়গে লাউ ...!


অকবরনা বিরবলদা ৱাহং অহুম হংই অদুগা হায়, ৱাহং অহুম অসিগী পাউখুম অমত্তং ওইনা পীগদবনি।
- শঙ্গোম করিগী পাথরিবনো?
- অঙাং করিগী কপ্লিবনো?
- চাগা করিগী কারিবনো?
বিরবল : ৱাট্সএপতা মেসেজ থানবগীনি।

টিচর : ঐগী পাবুং থবক চৎখি হায়বা ৱাহৈ পরেং অসি ফ্যুচর টেন্সতা হায়য়ু।
ষ্টুদেন্ট : হয়েংসু চৎকনি... ঐখোয় পাবুং চৎপদা কনানা থিংবা ঙমগৌরিবনো ?


☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা ড্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।




Title: Let birds be free
By: Deina Yumnam
Class: VII Sec: B Roll No. 4
School: The Comprehensive School, Oinam



Title: A Bird
By: Khaidem Shrinibash
Class: IV Sec: D Roll No.
School: St. Joseph's Higher Secondary School





Title: Save Environment Water
By: Khumukcham Mahesh Singh
Class: V Sec: A Roll No. 3
School: Assam Rifle Public High School




Title: Godzilla
By: Mayanglambam Chinglemba
Class: II Sec: Roll No.
School: St. Joseph's Hr. Sec. School



Title: Fish Aquarium
By: Meitankeishangbam Fiona Devi
Class: III Sec: B Roll No. 67
School: Nirmalabas High School



Title: A House
By: Nena Aribam
Class: II Sec: White Roll No. 18
School: Lee Faith School, Sangaiprou



Title: Global Warming
By: S. Nongpokngaanba
Class: VII Sec: Roll No. 41
School: Maheilen Boarding (Haotal)



Title: Flower Pot
By: Tamana Yumnam
Class: IV Sec: B Roll No. 2
School: The Comprehensive School, Oinam



Title: Navy
By: Alexander
Class: IX Sec: Roll No.
School:

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।